


# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, SUNDAY, DECEMBER 15, 2019 **PAGE 7**




*জর্মনিগী ফুটবোল টুর্নামেন্ট বুন্দেসলীগাগী খ্বাইদগী নহা শান্নরোই ওইনা মেটচ ১০০ শান্নবা ঙমখ্রবা বেয়র লেভরকুসেনদা শান্নরিবা কাই হেভর্টজ*

*ইংলেন্দগা শান্নগদবা সেরিজ য়াওনা কুমজা ২০২৩ ফাওবা সাউথ অফ্রিকা ক্রিকেট টিমগী হেদ কোচ ওইবগী থৌ পুহনখ্রবা মার্ক বাওচর*

## সি সি মিট ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্টতা ৱাই য়ু এফ সি উখ্রুল অমদি এম এ কাংপোকপী মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৪ (এস এন এস) ঃ ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা থা অসিগী ৪ দগী ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা মপানগী টিম ২ য়াওনা পুন্না টিম ৩২ না শরুক য়াদুনা চত্থরিবা ৬২শুবা সার চুড়চান্দ সিংহ, কে সি এস আই, সি বি ই নীংশিং ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯–২০ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা ৱাই য়ু এফ সি উখ্রুল অমদি মুবালাই এঠলেটিক্স (এম এ) কাংপোকপী মায় পাক্কুনা মথংগী রাউন্দ চঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৮শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা ৱাই য়ু এফ সি উখ্রুল অমদি এল ৱাই জি এস ই দি এ লোংপীনা শান্নখিবা মেটচতা ৱাই য়ু এফ সিনা এল ৱাই জি এস ই দি এবু য়াম্না লাকচনা গোল ৬–১ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিগী হৌরকপদগী হৌনা ৱাই য়ু এফ সি উখ্রুলনা এল ৱাই জি এস ই দি এবু লোংপীবু লাকশিন্না শান্নখিবনা মেটচকী মিনিট ১০ চৎপদা জর্সি নম্বর ৯ য়ামীলাংভানা মেটচকী অহানবা গোল চনখ্রবা মতুংগী মিনিট ৫ কান্নরগা ১৫ চৎপদা টিমগী জর্সি নম্বর ১০ ৱারচুইফৈনা টিমগী অনীশুবা গোল চন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

অহানবা হাল্ফকী অপীবা মিনিট লোইরমদাই মিনিট ৩৬ চৎপদা য়ামীলাংভানা মহাক্কী অনীশুবা গোল ওইনা টিমগী অহুমশুবা গোল অদু চন্দুনা ৩–০ দা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা হাল্ফকী হৌরকপা মিনিট ৪৩ চৎপদা য়ামীলাংভানা মহাক্কী হেটত্রিক গোল ওইনা টিমগী মরিশুবা গোল অদু চন্দুনা ৪–০ দা মাঙজিল থাখ্রবা মতুংগী মিনিট ৫৬ চৎপদা গোল শোত্থরিবা এল ৱাই জি এস ই দি এ লোংপীগী জর্সি নম্বর ৫ লালমগাইনা গোল অমা হন্দোকখ্রবসু মিনিট ২ কান্নরগা ৫৮ চৎপদা ৱারচুইফৈনা উখ্রুলগী ৫শুবা গোল চন্দুনা ৫–১ দা মাঙজিল থাখি।

ৱাই য়ু এফ সি উখ্রুলগী ৬শুবা গোল অদু মেটচকী মিনিট ৮০ দা য়ামীলাংভানা মহাক্কী ৪শুবা গোল ওইনা চন্দুনা মেটচ অসি ৬–১ দা মায় পাক্কুনা টুর্নামেন্টকী মথংগী রাউন্দ চঙখ্রে।

শান্নখিবা মেটচ অসি টি ঐচ কিরনজিৎ, ৱাই ইঙোবী, দব্লিয়ু ইবোয়াই অমদি থাও জোনী চোথেনা মথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিষ্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর্দ ওফিসিয়েল ওইনা মেটচ অসি কন্দক্ট তৌখি।

টুর্নামেন্টকী ৯শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা এস দব্লিয়ু সি কৈরক অমদি মুবালাই এঠলেটিক কাংপোকপীনা শান্নখিবা মেটচতা মুবালাই এঠলেটিক্সনা এস দব্লিয়ু সিবু য়াম্না লাকচনা ৮–১ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা মুবালাই এঠলেটিক্স কাংপোকপীগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ২৪ লুনজিংথাংনা মিনিট ৩, ৪ অমদি ৫২ দা গোল অহুম, জর্সি নম্বর ১০ ক্লিভানমালনা মিনিট ১৬, ৩৯ অমদি ৯০ না গোল অহুম অদুগা অতোপ্পা গোল অনী অদুনা জর্সি নম্বর ১৪ হাওলেনগৌনা মিনিট ৪১ অমসুং জর্সি নম্বর ৯ সৈনিওনা মিনিট ৬৬ তা চনখি।

মায়থিরবা এস দব্লিয়ু সি কৈরক্কী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা জর্সি নম্বর ৬ কে ঐচ বিকেননা মিনিট ১৫ চৎপদা চনখি। মেটচ অসিদা এস দব্লিয়ু সি কৈরক্কী জর্সি নম্বর ৯ এম কিষনদা মেটচ কন্দক্ট তৌখিবা রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি কে ঐচ রঞ্জিৎ, থাও জোনী চোথে, এল গোকুলানন্দ অমদি টি ঐচ কিরনজিৎনা মথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিষ্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর্দ ওফিসিয়েল ওইনা মেটচ অসি কন্দক্ট তৌখি।

**Today's Match**

Match No. 10
NISA vs WYFC
Time : 11.30 a.m.

Match No. 11
RAU vs UKB
Time : 2.00 pm

## খেলো ইন্দিয়া অন্দর সবেন্টিন ৱুমেন'স ফুটবোল লীগতা কৃপ্সা অমদি দব্লিয়ু এফ এ ককচিং মায় পাকখ্রে




ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৪ (এস এন এস) ঃ ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা দাইরেক্টোরেট ওফ য়ূঠ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টস গোভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুর অমদি ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন্না পুন্না শীন্দুনা মমাঙ থা ১৬ তগী টিম ৮ না শরুক য়াদুনা শান্নবা হৌখিবা অন্দর সবেন্টিন খেলো ইন্দিয়া ৱুমেন'স ফুটবোল লীগ ২০১৯ গী ঙসি মপাল কাংজৈবুংদা শান্নখিবা মেটচশিংদা কৃপ্সা নাওরেমথোং অমদি দব্লিয়ু এফ এ ককচিং মায় পাক্কুনা ফুল পোইন্ট ফংনখ্রে।

লীগ অসিগী ১৩শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা কৃপ্সা নাওরেমথোং অমদি পি এল এল চুড়ান্দপুরনা শান্নখিবা মেটচতা কৃপ্সানা পি এল এলবু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিগী পুংখাই ফাওবদি নাকল অনীনা লম্বা মান্ননা শান্নখিবনা গোল চন্নবা ঙমখিদ্রবসু মেটচকী মিনিট ৩২ চৎপদা কৃপ্সাগী জর্সি নম্বর ১১ এল বেবীদোলিনা গোল একাউন্ট হাংদুনা অহানবা হাল্ফ লোইবা ফাওবা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফতসু কৃপ্সানা অহেনবা গোল হাপচিল্লক্কবা হোৎনদুনা শান্নখিবনা মেটচকী মিনিট ৫১ দা টিমগী জর্সি নম্বর ৭ এম সঞ্জনা দেবীনা অনীশুবা গোল চন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

মেটচকী অপীবা মিনিট লোইবা ফাওবদা পি এল এল চুড়ান্দপুরনা শোত্থখিবা গোল অনী অদু হন্দোক্লবা হোৎনরবসু মায় পাকপা ঙমখিদবনা মেটচ অসি মায়থিবা নংখি।

মেটচ অসিদা মায় পাক্লবা কৃপ্সা নাওরেমথোংগী জর্সি নম্বর ৮ এন সনা চনুদা মেটচ কন্দক্ট তৌখিবা রেফরিনা ফাওল শান্নবগীদমক য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি এন সন্টোস, ৱাই ইঙোবী, এন অমরজিৎ অমদি কে ঐচ রঞ্জিৎনা মথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিষ্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর্দ ওফিসিয়েল ওইনা মেটচ অসি কন্দক্ট তৌখি।

১৪শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা দব্লিয়ু এফ এ ককচিং অমদি এল সি চুড়ান্দপুরনা শান্নখিবা মেটচতা দব্লিয়ু এফ এ না এল সিবু য়াম্না লাকচনা গোল ৫–০ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিগী মিনিট ২৫ চৎপদা দব্লিয়ু এফ এ ককচিংগী জর্সি নম্বর ১০ কে ঐচ ভুমিকানা অহানবা গোল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখ্রবা মতুংগী মিনিট ২ কান্নরগা ২৭ চৎপদা জর্সি নম্বর ১১ এম অম্বীকানা অনীশুবা গোল চন্দুনা হাল্ফ লোইরবা ফাওবা ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফতা চনখিবা দব্লিয়ু এফ এ ককচিংগী গোল অহুম অদু কে ঐচ ভুমিকানা মিনিট ৪২, ৭৭ দা গোল অনী অদুগা এম অম্বীকানা মিনিট ৫৪ দা চনখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি কে অজিৎ, এন অমরজিৎ, এল ননাও অমদি দব্লিয়ু ইবোয়াইমনা মথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিষ্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর্দ ওফিসিয়েল ওইনা মেটচ অসি কন্দক্ট তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েং অয়ুক পুং ৮ তাবদা এ এম এম এ অন্দ্রো অমদি ৱাই দব্লিয়ু সি লংথবাল অহানবা গ্রাউন্দদা শান্নগনি অদুগা অয়ুক পুং ৯.৩৫ দা আই সি এস এ ইরেংবন অমদি ই এস য়ু ৱাংখৈনা অনীশুবা গ্রাউন্দদা শান্নগনি।

## সাইক্লোননা মোডেল ক্লব মায়থিবা পীখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৪ (এস এন এস) ঃ মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিয়েসন (এম ভি সি এ) না শীন্দুনা থা অসিগী ৫ দগী লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা টিম ৮ না গ্রুপ অনী থোক্লা খাইদোক্কুনা চত্থরিবা ১৭শুবা মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৯–২০ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা সাইক্লোন থাংমৈবন্দ মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৯শুবা মেটচ ওইনা ঙসি মোডেল ক্লব চীংঙামখা অমদি সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা শান্নখিবা মেটচতা সাইক্লোননা মোডেল ক্লবপু রন ১১৬ তা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিদা সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা টোস ঙমদুনা বেট্টিং হান্না পায়বদা অপীবা ওভর ৩০ দা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ১৯২ লৌখি। মসিগী পাউখুমদা মোডেল ক্লব চীংঙামখানা ওভর ২২.২ দা ৱিকেট ১০ মক আওট ওইরগা রন ৭৬ খক লৌদুনা মেটচ অসি রন ১১৬ তা মায়থিবা নংখি।

সাইক্লোন থাংমৈবন্দগী বেট্টিংদা থোইথোইনা বোল ৩৪ দা রন ৪৩, শ্যামসুন্দরনা বোল ৪০ দা রন ৪০ অমদি রোবিন্দ্রোনা বোল ২৬ তা রন ২৬ লৌখি।

মোডেল ক্লব চীংঙামখাগী বোল্লিং দা সিকন্দরনা ওভর ৪ দা ৱিকেট ২, সরতচন্দ্রনা ওভর ৬ তা ৱিকেট ২ অমদি গৌরচন্দ্রনা ওভর ৩ দা ৱিকেট ১ লৌখি।

মোডেল ক্লব চীংঙামখাগী বেট্টিং দা রুপচন্দ্রনা বোল ৪৫ দা রন ৩১, দিমিননা বোল ২৭দা রন ২০ অমদি সন্টোসনা রন ৬ লৌখি। সাইক্লোন থাংমৈবন্দগী বোল্লিংদা দব্লিয়ু সুর্জিৎনা ওভর ৫.২ দা ৱিকেট ৭, সুধিরনা ওভর ৫ দা ৱিকেট ২ অমদি সুরজচন্দ্রনা ওভর ৩ দা ৱিকেট ১ লৌখি।

মেটচ অসিগী মেন ওফ দি মেটচনা সাইক্লোন থাংমৈবন্দগী রন ২৫ অমদি ৱিকেট ৭ লৌখিবা দব্লিয়ু সুর্জিৎনা তাখি। হয়েং দি এস য়ু অমদি এল সি সি সি না শান্নগনি।

## গোৱা মায় পাক্কুনা টেবলগী মকোক্তা লৈখ্রে

*গোৱা সিটি, দিসেম্বর ১৪ (এজেন্সি) ঃ* ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ইন্দিয়ান সুপর লীগকী ঙসি শান্নখিবা ৮শুবা রাউন্দগী মেটচতা এফ সি গোৱানা এটলেটিকো দি কোলকটাবু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা পোইন্ট টেবলগী মকোক্তা হাইগৎখ্রে।

এফ সি গোৱা অমসুং এটলেটিকো দি কোলকটানা শান্নখিবা লীগ মেটচ অসি হেক হৌবদগী টিম অনীমক য়াম্না লম্বা মান্নরকখিবদগী অহানবা হাল্ফকী শান্নবা লোইশিনখিবা ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা য়ুন্থু টিম ওইখিবা এফ সি গোৱাগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চত্থদুনা লাকখি। ৬০শুবা মিনিটতা গোৱাগী শান্নরোই মোরটাদা ফোলনা গোল অমা চন্দুনা মাঙজিল থাবা হৌখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৬৪শুবা মিনিটতা এটলেটিকো দি কোলকটানা চত্থরকখিবা এটেক অমদা জোব্বী জষ্টিননা গোল অমা চন্দুনা ১–১ দা মান্নরকখি।

গোল মান্নখ্রবা মতুং মেটচকী ৬৬শুবা মিনিটতা গোৱাগী শান্নরোই ফেরান কোরোমিনাসনা গোল অমা চনখিবা অদু মেটচকী অপীবা মতম লোইশিনবা ফাওবা লৈখিবদগী গোৱানা ২–১ দা মায় পাক্কুনা টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলগী মকোক্তা হাইগৎপা ঙমখি।

## এম সি এ সঙ্গাইয়ুম্ফম মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৪ (এস এন এস) ঃ ৱান্টেদ বোইজ সঙ্গাইয়ুম্ফম পুল্লেপোকপীনা শীন্দুনা থা অসিগী ১ দগী টিম ১২ না গ্রুপ ৪ থোক্লা খাইদোক্কুনা পুল্লেপোকপী প্লে গ্রাউন্দদা চত্থরিবা অনীশুবা কয়ামুদ্দিন ট্রোফি ২০১৯ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা এম সি এ সঙ্গাইয়ুম্ফম অমদি অল আমিন মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১৮শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা ৱাই ৱাই সি পুল্লেপোকপী অমদি এম সি এ সঙ্গাইয়ুম্ফম্না শান্নখিবা মেটচতা এম সি এনা ৱাই ৱাই সিবু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা এম সি এ গী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৩ ৱাকিবুরদা মিনিট ১৫ অমসুং জর্সি নম্বর ১৯ কমলনা মিনিট ৩৫ দা চনখি। মায়থিরবা ৱাই ৱাই সি পুল্লেপোকপীগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু জর্সি নম্বর ১২ সাহিদ আলিনা মিনিট ১০ দা চনখি।

১৯শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা এস এম এস এফ সি অমদি অল অমিননা শান্নখিবা মেটচতা অল অমিননা এস এম এস এফ সিবু গোল ৫–২ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা অল অমিনগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৪ রসিদনা মিনিট ১৬, জর্সি নম্বর ৩ অরৱাজনা মিনিট ১৮, জর্সি নম্বর ৭ রিয়াসাদনা মিনিট ২৪, ২৭ অমদি জর্সি নম্বর ১০ বাবোইনা মিনিট ২৬ তা চনখি।

মায়থিহৌরবা এস এম এস এফ সিগী গোল অনী অদুনা জর্সি নম্বর ২২ হুসেন্না মিনিট ২ অমদি জর্সি নম্বর ৭ দানিসনা মিনিট ৬ তা চনবা ঙমখি।

## খুল্লেন অমদি সারৈ ফাইনেল শান্নরগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৪ (এস এন এস) ঃ দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন চান্দেলনা শীন্দুনা থা অসিগী ৯ দগী টিম ৬ না গ্রুপ ২ থোক্লা খাইদোক্কুনা লিৱা সরৈ ভিলেজ গ্রাউন্দদা চত্থরিবা এ দি সি চান্দেল ট্রোফি ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগকী ফাইনেলদা লিৱা খুল্লেন য়ূঠ ক্লব অমদি লিৱা সরৈ য়ূঠ ক্লবনা শান্নরগনি।

ঙসি অহানবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচতা লিৱা খুল্লেন য়ূঠ ক্লবনা জিওটলান এফ সিবু ৫–১ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা লিৱা খুল্লেন য়ূঠ ক্লবকী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১৪ জোইঙমনা মিনিট ১২, জর্সি নম্বর ৭ জেকোভনা মিনিট ১৯, ৫৯ দা গোল অনী, জর্সি নম্বর ১৭ জেসিনা মিনিট ২৬ অমসুং ৭৫ তা চনখি।

মায়থিরবা জিওটলাং এফ সিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা জর্সি নম্বর ২৭ রামজাননা মিনিট ৬২ দা চনখি।

অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচ ওইনা শান্নখিবদা লিৱা সরৈ য়ূঠ ক্লবনা চুম্বাং এফ সিবু গোল ৪–২ দা মায়থিবা পীখি। মায় পাক্লবা লিৱা সরৈ য়ূঠ ক্লবকী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৪ কোনিংথারনা মিনিট ২৩, জর্সি নম্বর ১৭ মাইকেলনা মিনিট ৩৪, ৭৩ অমদি জর্সি নম্বর ৩ অংনিংজোইনা মিনিট ৫৬ তা চনখি।

মায়থিরবা চুম্বাং এফ সিগী গোল অনী অদুনা জর্সি নম্বর ২৩ নৈজিরনা মিনিট ৭ অমসুং জর্সি নম্বর ২৯ অহোমনা মিনিট ২১ দা চনখি।

## এম পি এস সিনা ভোল্লিবোল টুর্নামেন্টকী ৱিন্নর ওইখ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৪ (এস এন এস) ঃ মণিপুর ভোল্লিবোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা পুদেমখোসেক গাংতে ওর্গনাইজিং কম্মিটিনা শীন্দুনা থা অসিগী ৯ দগী টিম ১৮ না গ্রুপ ৪ থোক্লা খাইদোক্কুনা পিছ গ্রাউন্দ তুইবোং চুড়ান্দপুরদা চত্থরকপা অহানবা দি য়ু দেমখোসেক গাংতে নীংশিং মেন'স ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ গী ৱিন্নর এম পি এস সিনা ওইখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা এম পি এস সিনা ৱাই এম দি ও হৈরাংগোইথোংবু সেট ৩–১ (২৫–২৩, ২৫–২২, ১৮–২৫, ২৫–১৬) দা মায়থিবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখিবনি।

দি য়ু দেমখোসেক গাংতে নীংশিং মেন'স ভোল্লিবোলটুর্নামেন্টকী বেষ্ট প্লেয়র, স্পাইক্কর সিট্টরনা এম পি এস সিগী রোবিন্সন, থাংমৈসো অমদি রোমিওনা তাখি। বেষ্ট ব্লোক্করনা ৱাই এম দি ওগী মাইকেলনা তাখি। বেষ্ট টিম্না কে এস ও তুইলাংখুলনা তাখি।

## সপনানা গোল্ড মেডল লৌখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৪ (এস এন এস) ঃ মণিপুর আর্চরি এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা খা–মণিপুর আর্চরি এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা থা অসিগী ১২ তগী য়ুনিট ১৭ তগী লাকপা ইন্দিয়ান রাউন্দ মেনদা আর্চর ৫৬, গার্লসতা ২৬, কম্পাউন্দ গার্লসতা ২৪, বোইজদা ৩৬, রিকর্ভ গার্লসতা ২০ অমদি বোইজদা ৪০ না শরুক য়াদুনা লাংমৈদোংগী প্লে গ্রাউন্দদা চত্থরিবা ৩১শুবা সেনিয়র ষ্টেট লেবেল আর্চরি চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯ গী ঙসি শান্নখিবা ইন্দিভিজুয়েল ওলেম্পিক রাউন্দদা এ আর এ সিগী কুমারী সপনানা অহানবা, এন এস এগী শিতলকুমারীনা অনীশুবা অমদি ৱাই এ সিগী সনাবম নীরমলা দেবীনা অহুমশুবা তাখি।

ইন্দিভিজুয়েল ওলেম্পিক রাউন্দ মেনদা এফ এ সিগী এম সুন্দরনা অহানবা, য়ুনিট অসিগী এম চীংখৈ মৈতৈনা অনীশুবা অমদি এ আর এ সিগী ইসাক সিনাতেনা অহুমশুবা তাখি।

টিম ইন্দিয়ান রাউন্দ ৱুমেনদা ৱাই এ সিগী সনাবম নীরমলা, সনাবম জেনিফর, সর্জু নিংথৌজম অমদি হাওবম সুর্জলতানা অহানবা তাখি। এ আর এ সিগী কুমারী সপনা, লাইবিয়া, দিপিকা অমদি ৱাই ভারতিনা অনীশুবা তাখি। এম পি এস সিগী ঐচ রাজপ্রিয়ারী, কে মনাদিভ্য, বি লুসি অমদি সি ঐচ বেমচানা অহুমশুবা তাখি।

টিম ইন্দিয়ান রাউন্দ মেনদা কে এম এ সিগী ঐচ বিজেন্দ্রনাথ, চুংখাম বিসন, দব্লিয়ু ব্রিটেনজিৎ অমদি এল বোবীনা অহানবা তাখি। এ আর এ সিগী পি হিরোবা, দ্রোখোতো দিমো, ইসাক সিনাতে অমদি সি ঐচ জেম্সননা অনীশুবা তাখি। বি সি এ সিগী থোংঙাম হিল্লর, চনবম বোরিস অমদি এল মিলন মৈতৈনা অহুমশুবা তাখি।

ক্রোসৱার্দ ৩৬৮ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| W | I | M | P | | A | M | E | N | | A | P | P | L | E |
| A | S | E | A | | M | O | N | A | | S | A | L | O | N |
| R | E | A | R | | O | L | E | S | | T | R | E | A | D |
| M | E | L | O | D | R | A | M | A | | R | E | A | D | S |
| | | | L | E | E | R | Y | | R | A | N | | | |
| S | H | E | E | T | | | | D | A | Y | T | O | N | A |
| O | E | R | | E | R | A | S | E | D | | S | N | O | B |
| D | A | N | | R | E | G | A | L | I | A | | S | O | Y |
| A | R | I | D | | S | E | N | I | O | R | | E | S | S |
| S | T | E | E | R | E | D | | | | R | I | T | E | S |
| | | | P | A | T | | A | L | L | O | T | | | |
| A | B | H | O | R | | A | L | L | O | W | A | N | C | E |
| B | O | I | S | E | | L | I | A | R | | L | U | L | L |
| U | N | T | I | L | | A | C | M | E | | I | D | O | L |
| T | E | S | T | Y | | S | E | A | N | | C | E | D | E |

## শিংজমৈ 'এ' কাঙখূৎনা ৱিন্নর ওইখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৪ (এস এন এস) ঃ মণিপুর কাঙ এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা লাইহিজিং নিংথৌ অপুনবা কাঙখূৎ (এল এ কে) না শীন্দুনা চত্থরকপা ৫শুবা গম্ভিনী লৈমা নীংশিং কেন্দ্রৱাইজ লীগ কপ নোক আওট কাঙ টুর্নামেন্ট ২০১৫ গী ৱিন্নর শিংজমৈ 'এ' কাঙখূৎনা ওইখ্রে।

ফাইনেলদা শিংজমৈ 'এ' কাঙখুৎনা ওইনাম কাঙখূৎপু পাঞ্জাল ২৪–১৯ দা মায়থিবা পীখি। টুর্নামেন্ট অসিগী বেষ্ট লমথাদা শিংজমৈ কাঙখূৎকী কে ঐচ লালহরি অমদি ওইনামগী জুগিন্দ্রোনা তাখি অদুগা বেষ্ট চেপ্ফৈনা ওইনামগী এম নিলকমল অমদি শিংজমৈ 'এ'গী ৱাই রতন্না তাখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী লোইশিনবগী থৌরমদা মণিপুর ষ্টেট প্লানিং বোর্দকী দিপ্যুতি চীয়রমেন এস রাজেন সিংহ, লম্লাই কেন্দ্রগী এম এল এ কে এস ঐচ বিরেন সিংহ অমদি বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ভাইস প্রসিদেন্ট জোতিন ৱাইখোম্না মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওর্নর ওইদুনা মকোক মথং তাখ্রবশিংদা মনা মথুম য়েঙ্হোকখি।

## ট্রাউ অম্লকশুবা ওইনা মায়থিখ্রে

*কোলকটা, দিসেম্বর ১৪ (এজেন্সি) ঃ* হেরো আই–লীগকী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা মণিপুরগী ফুটবোল ক্লব ট্রাউ কোলকটাগী ক্লব ইষ্ট বেঙ্গলগী মখূত্তা গোল ১–২ দা মায়থিহৌখ্রে। ট্রাউগী ওইনা ঙসি মায়থিখিবা অসিনা টুর্নামেন্ট অসিদা অহুম্লকশুবনি।

মেটচ অসিগী ১৭শুবা মিনিটতা ইষ্ট বেঙ্গলগী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা মার্কোস জিমেনেজনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি। অহানবা হাল্ফকী অপীবা মতম লোইখ্রবা মতুং অহাপ্পা ইনজুরি টাইমগী অহানবা মিনিটতা ট্রাউগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা দিপক দেভরানীনা গোল অমা চন্দুনা ১–১ দা মান্নহনবা ঙমখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা টিম অনীমক য়াম্না লম্বা মান্নরকখিবদগী মতম কুইনা অহেনবা গোল চনশিনবা ঙম্নদনা লাকখি। ট্রাউগী শান্নরোইশিংনা অহেনবা গোল চনশিন্নবা হোৎনরকখিবা এটেকশিং অদু ইষ্ট বেঙ্গলগী শান্নরোইশিংনা মায় পাকহন্দনা থমখি।

মেটচকী মতম লোইগদবা মিনিট অমা ৱাৎলিঙৈদা ইষ্ট বেঙ্গলগী শান্নরোই মার্টি ক্রেসপিনা মায় পাকপগী গোল অদু চনখিবদগী ট্রাউ ১–২ দা মায়থিহৌখি।


**SACRED HEART HR. SEC. SCHOOL**

**POROMPAT, OPP. DDK IMPHAL**

Recognised by the BOSEM & COHSEM

**ADMISSION OPEN**

**FOR THE ACADEMIC SESSION 2020**

**FOR THE CLASSES PRE-NRY TO CL-VIII**

With the completion of 30 years of service in the field of education, School is pleased to announce SPECIAL CONCESSION for admission to NURSERY & PRE-NURSERY.

Plz. Contact School Office for more details during School hours. Sd/- Principal

SL/5587/6 Dec.+ 15 Days